### জননেতা ইরাবতকী পালন থৌরম পাকচাওনা পাংথোকখ্রে

# মেঘচন্দ্র জর্নেলিষ্ট এৱার্দ পাউ চে অসিগী এদিটর খোইরোম লোয়ালাকপদা খুৎশিন্নখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল সেপ্তেম্বর ৩০ :* চহী খুদিংগী পাংথোরকপগুম জননেতা ইরাবতকী চহী ১১৭ শুবা মপোক কুমওন পালন থৌরম ঙসি মার্চপাস কম্পিটিসন অমগা লোয়ননা পাকচাওনা পাংথোকখ্রে। পালন থৌরম অসিগা মরী লৈননা 'নহারোলগী থৌদাং' পাউচে অসিগী এদিটর খোইরোম লোয়ালাকপদা থিয়াম মেঘচন্দ্র জর্নেলিষ্ট এ ৱার্দ পাউচে অসিগী এদিটর খোইরোম লোয়ালাকপদা খুৎশিন্নখ্রে।

ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিতি,মণিপুরনা শিন্দুনা সেপ্তেম্বর ১ দগী হৌদুনা থা অমা চুপ্পা চথরকপা ইরাবত নিংশিং পালন থৌরম ঙসি লোয়শিনবগা মরী লৈননা চহী ১১৭ শুবা ইরাবত মপোক কুমওন পালন থৌরম ইম্ফালগী ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা পাংথোকখি।

পালন থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা ইরাবত ভাবন্দগী লময়ানবা ইরাবতকী লাইফ সাইজ ফোটো অমা গাড়ি মথক্তা হাপ্তুনা পুরগা মীয়ামগী ওইবা খোঙচৎ অমা চৎতুনা বেন্দ পার্টি অমদি অথেনপোৎনচিংবা কয়া য়াওনা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন তম্না লাকখি।

সিপিআই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী ষ্টেট সেক্রেটরি ডা: এম নর, ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিতিগী চিয়ারমেন এক্স-মিনিষ্টর এন মঙ্গি অমদি অতৈ পার্টিগী লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াদুনা ইরাবতকী লাইফ সাইজ ফোটো অদু পুদুনা কংলা পার্ক মপান্দা লাক্তুনা নোর্থ এওসি ফাওরগা মীনুথোং লাল্লগা চেক্কোন লম্বীদা লাক্তুনা কোনুং মমাং তম্না লাকখি।

তুংদা পেলেস কম্পাউন্দ মনুংদা লৈবা বুধচন্দ্র কলেজ মমাংদা লাইফ সাইজ ফোটো অদু থমদুনা মীয়াম্না লৈ কয়া কৎতুনা ইকাইখুম্নবা উৎখি। লাইফ সাইজ ফোটো অদুগী মমাং ফাওদুনা স্কুল কয়াগী মহৈরোইশিং, এআইএসএফ, লৌমী লুপ, নুপী মরুপ, বেন্দ পার্টি অমদি তোঙান-তোঙানবা জাতি ফুরুপ কয়াগী ওইবা মার্চ পাস কম্পিটিসন অমা পাংথোকখি।

মার্চ পাস অদু লোয়শিল্লবা মতুংদা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা পাংথোকখিবা পালন থৌরম অদুদা সিপিআইগী ভেটেরিয়ান লীদর এম ইবোহল, ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিতিগী চিয়ারমেন এন মঙ্গি, সিপিআই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী ষ্টেট সেক্রেটরি ডা: এম নরনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি।

জননেটা ইরাবতনা লেকফম চাফম ওইনা লৈরম্বা লৈখিদবা চীংমী অমগী মচানুপাসু ওইরিবা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী ফোর্মর সেনিয়ার নিউজকাষ্টর এ কামসোন অমসুং কুকি ইনপি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট থাংখোসাই হাওকিপনা স্পিসিয়েল গেষ্ট ওইখি।

থৌরম অদুদা জনতা দল (য়ুনাইটেদ) কী প্রসিদেন্ট এম তোম্বী, বিজেপি মণিপুর প্রদেশকী স্পোক্সপার্সন নিল্লমনি, এমপিপিগী প্রসিদেন্ট এন সোভাকিরন, বহুজন সমাজবাদি পার্টি (বিএসপি) গী প্রসিদেন্ট কবিতা, জনতা দল (সেক্যুলর) গী মনিহার গোস্বামি, ওল ইন্দিয়া ত্রিনামুল কংগ্রেসকী কে তোম্বা, সিপিআই (এম) , আরএসপি অমসুং ফোর্দৱার্থ ব্লোক্কী লুচিংবা কয়ানা দাইজতা ফমখি। থৌরম অদুদা সিপিআই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী ষ্টেট সেক্রেটরি ডা: এম নরনা হায়, জননেতা ইরাবতপু সিপিআইনা পার্টি অসিখক্কী ওইনা কনশিন্দুনা থম্বগী মওং লৈতে। ঙসিদি ইরাবতকী মতিক মগুন মীয়াম্না হেন্না মীয়াম্না খঙনরকপদগী পাকচাওনা পালন থৌরম অসি পাংথোরক্লি।

রাজনিতিগী খেন্নবা থমদনা পালন থৌরম অসি ঙসিদি পুন্না পাংথোকমীন্নবা দরকার ওইরে। মণিপুর কনবা হায়বা ৱাখল্লোন অমগা লোয়ননা ঙসি পাংথোক্লিবা জননেতা ইরাবতকী চহী ১১৭ শুবা পানল থৌরম অসিদা রাজনিতিগী খেন্নবা থমদনা তোঙান-তোঙানবা পার্টি কয়াগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াদুনা পুন্না পাংথোকমিন্নবা অসি থাগৎনিংঙাইনি।

তংদু লৈতাদ্রবা, লক্ষাংনরবা, মায়কৈ খংদনা মীওই কয়ানা মানা মানা পাম্বা লম্বীদা পংচৎতা চৎনবগী মওং অমা লৈরিবা অসি কোকহন্নবা হোৎনবা মতম ওইরে। জননেতা ইরাবতনা পামজরম্বা ৱাখল্লোন অদু থবক ওইনা পাংথোক্নবা হোৎনসি। মীনা মীবু ওৎতবা, লোল অমদি লাইনিং লাইশোলগী খেন্নবা থমদনা চাওখৎপা তংদু লৈতাবা মণিপুর খুন্নাই অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা জননেতা ইরাবতনা লৌরম্বা থৌদাং কয়া অদু ঙসিগী মীরোলনা হেন্না মশক খঙবা হেনগৎলক্লি হায়দুনা ডা: নরনা হায়খি।

থৌরম অদুদা ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিতিগী চিয়ারমেন এন মঙ্গিনা হায়, নুংঙাই য়াইফনা নিংথৌগী কোনুংদা লৈবা য়াবা ইরাবতকুম্বা অমনা লৌমী-শিন্মি মীয়ামগীদমক লেপ্তুনা মশাগী ওইজবা পুম্বা থাদোক্তুনা মণিপুর কন্নবা হোৎনখিবা থৌদাং কয়া ঙসিগী মীরোলনা হেন্না মশক খঙবা হেনগৎলক্লে।

মহাক্তি লাইপোকুম্লবা মীওইবা খুন্নাইগী লুচিংবা অমনি। মহাক্কী মতিক মগুন্দি চহী খুদিংগী হেনগৎলকখিগনি হায়খি।

সিপিআইগী ভেটেরিয়ান লীদর এম ইবোহলনা হায়, পুর্ব্বাচল প্রদেশ হায়না মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক ভারতক্কী লোল অমদি লাইনিং লাইশোল তিন্নদবা ষ্টেট খরনা পুনশিন্দুনা ষ্টেট অমা শেম্নবা হোৎনরকপা মতমদা ইরাবত মশামক্লা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা মদুবু থিংখিবদগী ঙসিগী মণিপুর অসি লৈবা ঙম্বনি হায়খি।

জননেতা ইরাবতকী মপোক কমওন পালন থৌরম অসিগা মরী লৈননা লৈখিদ্রবা খোল্লাও পাউচেগী এদিটর ওইরম্বা লৈখিদ্রবা থিয়াম মেঘচন্দ্র জর্নেলিষ্ট এৱার্দকী মনা পাউচে অসিগী এদিটর খোইরোম লোয়ালাকপদা পীখি।

এৱার্দ অদুদা লুপা লিশিং ১০ গী শেলগী মনা অমদি সাইটেসন অমা য়াওরি। পাউচে অসিনা ইচং থৌনা শেঙ্গা থুমজা মুখৎনবা, অচুম্বা থোঙ মান্ননা চাওখৎপা, মীওৎ-মীনৈ লৈতবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা পাউ কয়া ইদুনা মীয়ামদা পাউদমখিবা অদুগীদমক এৱার্দ অসি পীবনি হায়রি।

চহী অসিগী ওইনা হিজম ইরাবত এৱার্দনা মণিপুর ষ্টেট মাইনোরিতি কম্মিসনগী চিয়ারপার্সন ওইরিবা রিটয়ার্দ আইএএস হেলিম চৌধুরিদা পীখি। এৱার্দ অসিদা লুপা লিশিং ২০ গী শেলগী মনা অমদি সাইটেসন অমা য়াওরি। অদুগা হিজম অচৌ শিন্মী এৱার্দনা ককচিংদগী য়েংখোম হৈমৈ কৌবা য়ুমশাবা অমদা পীখি। এৱার্দ অসিদা লুপা লিশিং ৫ গী শেলগী মনা অমদি সাইটেসন অমা য়াওরি।

পালন থৌরম অসিগা মরী লৈননা ঙসি পাংথোকখিবা তোঙান তোঙানবা কেটেগোরিগী মার্চ পাস কন্টিনজেন্ট ৪০ না শরুক য়াদুনা পাংথোকখিবা কম্পিটিসন্দা মকোক মথং তারবশিং অমদি পালন থাবুম অসিগী মনুংদা পাংথোকখিবা লৈবাক নিংবা ঈশৈ শকপা অমদি রিসাইটেসন কম্পিটিসন্দা মকোক মথং তারবশিংদা মনা মথুম য়েংহোকখি।